## ৱারী মচা

# খুদোলগী চৈথেং

*এল.পি.সিংহ*

অহিং–নুংশোইবা ৱাখলগী পোৎলুম্না মীৎশেং খাংহল্লকখ্রবী থাদোইনি। লায়রবা কৌবা চৈফুগী চৈনাখোল খাংবদা, কনাদসু তাইনরুফম খঙদনা খোইশাওনহনখি। ইকাই–নুংশি য়ান্নবা পেন্দবগী ঈথিলশিংনসু মীৎকুপ খুদিং হুমাং কাংহনবীখি।

নুংতি নুমিৎ খুদিংদি, চীংখৈ ফিদুপ হুল্লকঙৈ, ঙঙ্গান্নবা মশেক্লা হৌদোকপীর খুদিং মশা খিংনা তরাম তরান্না হেক হেক ওকনজবনি অহিংগী লিক্লাংশিংনসু কংশিন্দ্রিঙৈ, থাদোইগী মোমোন্নবী মায়থোঙবু চিংনা অমুক্তং য়েংনজহৌবনি। ঙসিদি তায়োন্নরে। নুমিৎকী মশেক্লা ইমুং চংদুনা মাবু থিরবদসু মহাক লোত্তুনা লৈরে। মীপাইজরবী লিক্লাশিংসু ইমুংদা চেনশিন্নরক্তু না, ফমুংদা, মীৎস্না অনী তরংদা য়েং, ৱাখল ফুম্বংনরিবী থাদোইগী মীৎলু অনীদা করিগীনো হায়বা খোল্লাও লাউনররে।

– "ইবেম্মা... ইবেম্মা, কৈদৌরে নঙবো নুমিৎনা ৱাতোন কারফাও হৌগত্রিসিবো, প্রাইভেট তম্বকা চৎলরোইদ্রা থেংদ্রিব্রাও?"

– "ইমা, ঙসিদি হকচাংসে কৈনোম তৌরে...।"

– "হা! করি তৌরবা!" হায়না – হায়না মচানুপীনা হিপ্লিবদোমদা চংশিল্লক্তুনা মরাইবক্তা মখুৎ থমদুনা য়েংলৈ– "অশ! অরুম লৈবদৌনা তৌরেনা সিদে, ঙরাং নোং নংলকই হায়দুনরা.. ঈশিং অইংবকা পায়রু লাকউরনুকো, ইমা ঈশিং লুম্বীরক্কে নচিন–নয়া শেংদোকও, বাবাদা হিদাক্কাসু লৈহল্লুগে চারগা অমুক পোত্থানবা।" হায়রম্লগা থাদোইমমা থোকখি।

কয়াদা নুংশি চওবী ইমানো। থাদোইনা খলহৌই। নুংশি চাওবগীদি মপা ইবুঙোসুনি। হন্দক চহি মেট্রিক ফার্স্ট দিভিলনদা লাল্লকপী মশামক অমদি ক্লাস ঐঠ তল্লিবা মৌপৱা ইবুঙোমচা, মখোয় অনিবু নোংমদি মশক থোক্লা মীরক তিলহঞ্জবা হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজরিবা মমা–মপা অনিনি। মদুগীদমক কুম্বী–কালেন নাইদ কৈথেল থোক্তুনা মনা–মশিং য়োল্লিবী মমানি। অনকপগী স্কুল অমদা পিয়ন ওইরিবা মপাসু মথৌদগী হেন্দোক্তুনা অঙম্বা অতৈ থবক–ইনখাং কয়া শু–নোল্লিবনি। অদুবু মথৌ ময়াম অদুনা মখোয় অনীনা নিংজরিবা– মচানুপী থাদোইনা ডাক্তর, মচানুপা ইবুংঙোমচানা অচৌবা ওফিসার হায়বশিংদু ওইথোকহনবগী চপ–চাবা লম্বী য়াৎপীবা ঙল্লবরা হায়বদুদি নত্রি।

থাদোইনদি পূন্নমক খঙই। নৌজরিবী ওইদুনসু, খুমাঙ চাওশিল্লক্লিবা মতমগী অঙকপা য়াওলনা নোংমগী লাপথোক্লহল্লক্লিবা লায়রবা অমসুং ইনাকখুনবা অনিগী থাক্তা মখোয়না লায়রবনি। স্কুল – কোলেজ তম্মীন্নবী মমান্নবীশিংনা অরংবা তুংগী আশা অমমমগীদমক, রাজনীতিগী অখুবা পোরমশিংনা শোয়নাইহল্লবা স্কুল–কোলেজশিংদা নিংথিনা পরা তম্বা ফংনদ্রগসু সবজেক্ট খুদিংমক্কী অখন্নবা ওঝাশিংদা লনাই ট্যুসন তৌনরিবা কয়া, ফনা য়াওনিংলুরগসু য়াওরুবা ঙম্বা নত্তে। তন্নবা লাইরিক্কী ৱাংমদা মমান্নবীশিংনা শানরিবা অনৌবা ফিজোলগী ৱারী, কেবল টিভিদা উৎলকপা নুঙাইরবা প্রোগ্রামশিংগী ৱারী, লংফৈদা লাইরিক তম্নখ্রবী মমান্নবীশিংগা টেলিফোন্দা ৱারী শানবগী ৱারী, নোংমদা ওঝা অনী অহুমদগী ট্যুসন লৌবা চৎপা ঙম্নবা মোপেদ–স্কুটরনচিংবা লৈনবগী ৱারীনচিংবা কয়াদুদা থাদোইনা শরুক য়ারুবা ওইথোক্তে। মমা–মপা অনীগী মতিক চপ–চানা মহাক খঙই। মতম চুপ্পদা মচাগীতা হোৎনজবনা পোত্থাজবা মমা–মপা অনিদা মনিং থুংদবগী ৱাকৎলুনবা পুকচেলসু থাদোইদা চেন্দে। মতম্না অমসুং সমাজগী ফিভমশিংনা নম্ফুদা পুশিল্লক্তুনা তম্বীরম্বা লাইবক্কী ৱাফম্নি হায়বদা পেঞ্জদবখক্কী ৱানি। পেন্দবা, মনিং থুংদবা কয়াবু নমহত্তু না পেন্থোকচরক্লিবসু মমা মপাগী মতৌশিংননি।

লৈবাক্কী চৎনবীনি, মমা–মপাগীনা তৌফ মথোকপা দায়ত্যনি হায়বা ইচম–চমজবা মপাগী ৱাখলনা থাদোইদা তত্তনা হায়রকখিবনি– "ইবেম্মা করিম চিংনরুনুকো মমাগা বাবাগা লৈরি কনাদনো ইচানা অপাম্বা ওঝাদা তন্নিংবা প্রাইভেট তম্মু, ইচা ডাক্তর ওইদবা য়াদেকো, অদুগা ইবুঙোমচাসি অঙ্ক খরা শোল্লি হায়দায় মাবুসু কনাদনো খরা তমহল্লু।"

মপাগী পুক্লিং থৌগৎপীবা ৱাহৈনে, মতমগী ওইনা, স্কুল কোলেজদা অফবা ওঝাশিংনা ছাত্রশিংবু তম্বী তাকপীবদা থৱায় য়াওশিন্নরক্তবদগী মথৌগা তারকপনে থাদোইসু খরা লাপ্পা লৈবা ওঝা অমদা লনাই ট্যুসন তৌই। মৌপৱাবুসু অমদা। ট্যুসন চৎনবগীদমক মমান্নবী শান্তিবলানা মাবু নুংতি নুংমিৎ খুদিং হৌবীরদুনা শান্তিবলাগী মোপেদতা চৎমীন্নে।

ঙরাং নহান্তগী ৱানি ইতিং –তিংবা মৌপৱানা মপাদা হংখিবা

– "বাবা তোলোব কৈদৌঙৈ ফংদোইনো, হন্দকসু ফংলোইদোইরা?"

– "কৈদৌরগেনে, তোলোবপু ফংদে হায়ব্রাও, ফংকান্দা মরাইনা ফংজনিনা।"

– "অস, মী হন্দক্তি ট্যুসনফি টিচর্স ডে নুমিত্তা পুন্না পিথোকমীন্নরসি হায়দনা ইমান্নবা ময়াম হায়নরিনি, লুপ ৫০–৫০ সু খায়নরগা ওঝাহৈইদা চাক চামীন্নদোইনে।"

– "হেরা ইবোমচা, নুপানবু অদুক মীকিথী ওই–হৌনদে, ট্যুসন ফিবু ঐখোয় ববা তোলোব ফংদ্রিকোনা কোক হায়র লোইরে, চিঙ্খীবসু নত্তবদুবু,... হোই চাক চানবৈদুদি নমানা অদুম পিজনিনা।"

– "হায়বুদি হায়রিপোৎনিদা ববা, ওঝানসু কৈম হায়পোত্তে, শুম ইকাইবৈ ৱানি।"

অঙাং ওইজরবসু লৈত–লায়র খঙখ্রবা মৌপৱা ইবুঙোমচানি। অকনবা দাবি অমুক্তা তৌদে। মমান্নবশিংগীদা ঙা থোংবা চামীন্নজরক্লগসু য়ুমদা ঐখোয়গীদি মহি লাংবা কাংশোইদৈ হেন্না থোংদে হায়রগা চামীন্নরবা ঙল্লিবা মৌপৱানি। লৌথুপ লৌকোই মীনমশোরি লৈতে। অদুবু ঙসি মহাক্লা ঙাংথোরকখিবা ৱাঙাংশিংদুদি মচে থাদোইগী মচিনদগী মুনবগুম থোকখ্রে। ৱাৎহৌরিবা হায়ববু মমান্নবীশিংনা 'টিচর্স ডে' নুমিত্তা ওঝাগী মফমদা খুদোঞ্জনবা করি করিনো লৈনগনি হায়দুনা লাংনহৌরিবা, ঙাংনহৌরিবা ময়ামদুখক্তনি। মমা–মপাগী মফমদা হায়নিংবা কয়া লৈদুনসু, কাংথোকলুবা ঙম্বগী থৌনাদি থাদোইদা লৈতে। ইমুং–মনুংগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিং–তলব ফংদ্রিবা মপাগী ফিভম, নোংজু পাম্থানা পোৎশিৎ লিকথহল্লবী মমাগী শেঙ্গাউ, পূন্নমক থাদোইনা খঙই। অদুবু মাগী আশা অমখক্তংদি– 'ববাগী তোলোব তাং ৪ ফাওবদা ফংলকপা' হায়বসিনি।

ঙরাং নুংথিলখক্তগী ৱানি। মৌপৱা মবান্নি, মা–মানা নিংনরিবদুদী হায়দোক্লদা মাঙ্গোলদা মপা হল্লকপা ঙাইখিনি। কনানা উবা হানখিবনো খঙহৌদে ইবুঙোমচানা চেন্থোক্তুনা হংখি– 'ববা তোলোব ফংলক্লব্রা?' থাদোইদি মপাগী মায়থোং উবদা খঙই– 'ঙসি ববাগী তোলোব ফংলক্তে।' থাদোইদি মপাগী মায়থোঙ উবদা খঙই– 'ঙসি বাবাগী তোলোব ফংলক্তে।' অদুনা খঙজে, হয়েং ওঝাগী নুমিত্তদি মহাক মমান্নবীশিংগা লেংমান্নবা ঙল্লরোই। মমানা কৈথেল কুম্লকপগী অশাদি থম্লুনিঙাই ওইদ্রে করিনা, ঙসি মণিপুরগী ছাত্র কাংলুপ অমনা বন্দ তৌরিবনি, মমা কৈথেল চৎখি হায়দুনসু থোইথোকপা লৈরক্লোই, অদুগা মৌপৱা ইমুঙোমচানা হৌজিক ঙাইরিবসিসু মমানা কৈথেল কুম্লকপদুনি।

মমানা কৈথেল কুম্লকপগী থুমোক তাইরুক লোইশিনফাত্রি– "ইমা হয়েংগী পৈশা হায়দো...?"

– "করিগী লৈতনগে, ইচা নিংথেমগীবু ইমা লৈরিসিদী।"

মৌপৱাগী মায়থোঙদা তারকপা মকা লাম্বগী মমি থাদোইনা উই। মাগী ওইনদি, নুংতি নুমিদাং খুদিং মমানা কৈথেল কুম্লকপদা পুশিল্লকপা চেংগী অরুম্বা হন্থরকপগী চাংনা মশাগী থমোয়দা লুমথরক্লিববু মায়থোঙনা চিংখৎনবা হোৎনখি।

অহিংচুপ্পা থাদোইনা খনখিবনি। খনখিবা নত্তে মমীত্তা শং–শং উখিবনি। অয়ুক্তা মমান্নবী শান্তিবলানা মশাগী মোপেদতা মহৌশাগুম মাবু হৌরবা লাক্কনি, অদুবু ঙসিগী ওইনদি লাইরিক খাওগী মহুত্তা ওঝাগীদমক নিংথিরবা খুদোলপোৎকী ময়োম লোইনরক্কনি। মদুদা মানা হায়গনি– 'শান্তি ঐ ঙসিদি হকচাং য়াম্না ঙমদ্রে, ঙরাং নোং নংখিবদুনা ওইরমাল্লে, চৎলরোইগে, ওঝাগীসু করিমত্তা থৌরাংহৌবা ঙমদ্রে, ঐনা ওঝাবু খুরুমজরকই হায়বদংদি তম্বীয়ু!'

## তাবুনুংদগী

*(কবি থাংজম ইবোপীশক্লা ইবা শৈরেংশিংগী অহানবা লাইরিক ১৯৬৯ দা ফোঙখি। লাইরিক অদুগী মমিং অপাইবা থৱাই কৌই। লাইরিক অসিদা য়াওবা জুলাই ১, ১৯৬৭ তা ইবা "শিবা" কৌবা শৈরেং অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

### শিবা

ঐদি তুন্নীংদে
'তূম্ব'বু কি
তুন্লিবা পুংজা দুমা
শিবগা পাংখক্লি।
অদুবু– তুন্নীংবা
লাকই, তূন্নীংবনা পঙথরদুনা
ফমুংদা পোপ তাই।
পামজদবা মীৎকুপ্তো
ৱাখল খনবা ঙম্মুদ্রে
খন্দ খন্দ
তূম্লমই ঐ।
ঙসিদি – নূংশাথীদ্রে
শিবগীদমক ৱারুদ্রে।

## মণিপুরী পাম্থৈ –পাউরৌ, পাউতাক

**৪০০ অৱা হকচোক লাংবা**
– ৱামনবনা মশা তপ তাবা।

**৪০১ অৱাই –অখুম তৌনবা**
– অমনা হায়রগা অমনা খুম্বা, চিন্দা পাওদানবা।

**৪০২ অশাবা য়োৎ অইংবনা ককই। (অঙাংবা য়োৎ অমুবনা ককই)**
– শাওনরবদি অমনা ইংথবা ফৈ।
– অশিংবা অতপ্পা মীনা মায়থীবা পিবা।
– অশাওবা মীবুদি শাওদবা মীনা লাকচবা।

**৪০৩ অশাবদি অশাবনা লোকই।**
– মান্না মান্নবা মশেল থেংনহনবা।

**৪০৪ অশাওবদি ফিরৈদা য়েপ্পী।**
– থিংবা ঙমদবা খুদক্কী ওইবা থৌওং।

**৪০৫ অৱাই– অখুম তৌনবা**
– অমনা হায়রগা অমনা খুম্বা, চিন্দা পাওদানবা।

**৪০৬ অশাৎপা লৈ অমগীদমক অপোম্বা ময়াম মাঙহনবা**
– থৱাইনা পাম্বা অমগীদমক অতোপ্পশিংবু মাঙহনবা।

**৪০৭ অশেম্বা ঙাগুম মউন খোক্লা ফুবা**
– ঈহিং নাহিং শানা তমথিনা ফুবা।

**৪০৮ অশি থোং থিংবা, অচঙ থোং হাঙবা**
– থাজনবগী মতুং ইন্না মতুংদা অৱাবা তাদনবা তৌবা থৌওং।

**৪০৯ অশিংবনা লৌশিং তানশিল্লি, অপঙবনা ৱাথোক লাম্থোক লেপশিল্লি।**
– অশিংবনা লন থুম তানশিল্লি, অপঙবনা য়েক্লবা মশিং য়ামহল্লি।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## লাইরিক্কী উন্নবা

**লাইরিক্কী মমিংঃ ৱাংমগী তোর্ব্বান্দুদা (শৈরেং, ২০১৭)**
**অইবা ঃ আব্দুল হামিদ**
**ফোঙবা ঃ অঙোম নিংথৌ প্রিজার্ভেসন এন্দ দোকুমেন্টেসন**
**মমল ঃ লুপা ২০০ /–**

অব্দুল হামিদনা ইবা 'ৱাংমগী তোর্ব্বান্দুদা' হায়বসি শৈরেং ৩৭ য়াওবা লামায় ১১০ পানবা লাইরিক অমনি। লাইরিক অসি অঙোম নিংথৌ প্রিজার্ভেসন এন্দ দোকুমেন্টেসন, উরিপোক্লা কপি মশীং ৫০০ খক য়াইবিরেন কম্যুনিকেসন্স, উরিপোক খ্বাই ব্রহ্মপুর, বীর টিকেন্দজিৎ, ফ্লাইওভর মনাক্তা নম্লগা পুথোকপনি। লাইরিক কপি অমগী মমল লুপা ২০০ পীবা লাইরিকসিগী মখূম অসি বীরেন্দ্রজিৎ নাওরেম্না শেম–শাবনি। আবুল হামিদ মণিপুরগী মপান্দা লাইরিক ইরিবা মণিপুরী মচা অমা ওইনা মীয়ম্না শকখঙনৈ। মহাক্কী শৈরেংশিংসি পারকপদা কবিগী পোইটিক ভিজনগী চীং–লেম্বা অমদি মফোঙদোক্কী ফজবা, পোইটিক এক্সপ্রেসনগী মওং তাবা অদু উবা ফংই। কবিনা মীওইবগী পুন্সি অমদি সমাজসিবু য়াম্নমক পোজিটিভ ওইনা য়েংনবা হোৎনৈ। লাইরিক্কী ৱাহৌদোক্তা কবিনা ইরি "অনৌবা শৈরেং লাইরিক অমত্তং ফোঙগে খন্ন–খন্না চহী তরেৎ হৌখি। অশেংবদি হৌখিবা চহী তরেৎসিদা ইখিবা শৈরেংশিং অসি ফোঙদোক্ত্রগদি পামজরুবা লমসিদা মীনম্বগুম থোক্লগদ্রা হায়নসু খল্লুই। অদুবু শৈরেং ইবা অমসুং ফোঙবা হায়বসিদা কদোমদগীনো খঙদনা অকিবা অমা চঙশিল্লকই। পামজরুবা খক্লা শৈরেং ইজবা, শৈরেং করিনো খঙজদবা ঐঙোন্দদি অকিবা অসি মহৌশা ওইফম থোকই। শৈরেং ইরগা কনাগুম্বা অমদা পাদুনা তাহন্দ্রবদি পূক্লিংসে লৈতাফম খঙদে, ঐনা হেক – হেক ঐগী লোয়নবীদা পাদুনা তাহল্লি।"

শৈরেং হায়বসি মীওইবগী পূক্লিং ৱাকলদা লৈরিবা কল্পনা অদুবু ফোঙদোকপনি। ফনাসু শৈরেং ইদবা য়াদে হায়বা আইন লৈবা নত্তে। অদুবু মীওইবনা হিংলিবা তাইবঙ পুন্সিদা মঙ খরদি মঙদনা মীওইবা লৈবা ঙমদে। মঙশিং অদুনা মচু–মচুগী কুরাকশিং ওল্লকই অদুগা অহাংবদা মতোমতা পাইথোরকই। আব্দুল হামিদকী শৈরেংশিংসিসু মদুনি। মহাক্কী শৈরেং লাইরিকসিদা ফজরবা কল্পনাগী শক্লোন কয়ামুক উবা ফংই। মফোঙদোক্তা চীং–লেম্বা লোয়নদুনা চৎলি। হায়নীংলিবা ৱাফম পূম্বা য়াম্নমক পোইটিক ওইনা পূথোকপগী হৈ–শীংবা উবা ফংই। কবিনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা জাতি, কাঙলূপ খাইদোক্লদুনা হিংসা চত্থবা মতৌদা য়ানিংদবা উৎলি। 'কোকরাঝার–২০১২' হায়বা শৈরেংদা কবিনা ইরি– "চাওখৎপা চাওখত্তবা/খুঙ্গং অমসুং সহর/চপ মান্নৈ/মায়খুমফি অমমম কুপশিনবা নত্তনা। মান্নদ্রিবদুদি উবা ঙমদে। মুম্বাইগী মরূপশিংনা নোকক্রেম হাইগ্রেম্নদুনতা লৈ, আসামদি জঙ্গল অমনি হায়দুনা, অচুম্বা খঙলকপদদি/মুম্বাইমু জঙ্গল অমা ওইদুনা লৈরম্লে। হৌজিক্তি ইমান্তা মান্নরে /মফম খূদিং।" (লাঃ৩৭) কবিনা মীওইবগী পুক্লিংদা লৈরিবা জতি অমদি কাঙলূপ খেন্নবগী মীনুংশি খঙদ্রবা পূকচেল অদুবু মাঙহনখিবা পামই। মীওইবা হায়বসি মীওইবনি। জাতি অমদি কাঙলূপ খেন্নবগী মীনুংশি খঙদ্রবা পূকচেল অদুবু মাঙহনখিবা পামই। মীওইবা হায়বসি মীওইবনি। জাতি–কাঙলূপকী মমাঙদা মীওইবা ওইবনা মীওইবগী অহানবা মগুন অসি লৈফম থোকই হায়না কবিনা ফোঙদোকই। মীওইবনা মী ওইরবা মতুংদা ভ্যাতি–কাঙলূপকী ৱাফম অসিনা কোন্না লাকপনি হায়রদুনা মীওইবা অমা ওইনা মীওইববু নুংশিবগী ঈচেল তৎনাহনফম থোক্তে হায়বসি কবিগী থাজবনি। কবি আব্দুল হামিদ তুংগী আশা য়াম্না লৈরিবা অইবনি।

**আর জে মীতৈ**

## শৈরেং

### লাকখিগনি

*– নোংদা সাপমচা*

কুমগী নোং চুরকখিনি লেপতনা
কেল্লুরবা উনাসু ময়োল চোঙলকখিগনি
কংলুরবা ঈচেলসু অমুক চেল্লকখিগনি
উখিদ্রবা শক্তম অদুসু অমুক হল্লকখিগনি।

থাজবা মানা হিংলিবমখৈ
হোৎনবা মানা লেপত্রিবমখৈ
করিগী অমুক নিন্দা তৌরুগনি
শক উদ্রবা পল অদুগীদমক।

ঙাইরিবনি তাঞ্জা অমখক
মঙলিবা মঙলান অসিগী চঙজফম
লাক্লবদা নোংমা অদুনা ইমাঙদা
কনাসু লৈরোই লম্বা পাবীনবা তাইবঙদা।

### বন্দ ব্লোকেদ তৌহল্লরোই হায়খিবদুবু

*– সি আইচ বিরেন*

তশেংনা অচুম্বা তৌবা ঙমগদৌরিব্রা?
মীসু হায়নৈ হায়দুনা হায়রিব্রা?
দণ্ডি অচৌবা পিগনি হায়খিদ্রনে?
কংগ্রেসনা পাল্লিঙৈ হায়বতনি, তৌখিব্রা?
সরকারবু পাইরবদি হেক্তা য়ারব্রা?
নিষা থিংলবসু চাবসু হেনগত্রা?
পিডিএস মাংথোক্লম্বশিং দণ্ডি পিরব্রা?
এমজি এন আর জি এস মণিপুরদা চৎনহনখিগদ্রা?
লু ১০ পিবদা ৭০ পিদ্রবদি
ফংবা য়াদবা পেপর করিনো?
শেঞ্জা থুমজা থিংলনি হায়বনরা
সার্টিফিকেট লৌবদা পৈশা চংলিবসে?
নিষা থিংলে মমল হেল্লে
ঙসিগী সরকার অচুম্বা তৌরব্রনে?
খবরদা বন্দ ব্লোকেদ লাউরিবশিং
করিগী ফাজিন্দ্রিবনো ঙসিগী সরকারনা?
লমদমসিদা অচুম্বা কদাইবু কৌবগে?
অরান্বা পূন্নমক্লা তম্পাক্তা লৈরব্রা?

### অসুন্না অসুম

*– হৈক্রুজম ইনাও*

অসুন্না অসুম হৌরকখিবা
মঙাল ইশাম–শাম্লক্ত' পুন্সীনা
অসুম থমজরকখিবনি
অমম্বদা লোৎপা অমম্বা মমিগুম
মঙাল ইশাম–শামদনা
আশা অমখক
অমুক্তং ঙান্নীংবগী,
হৌজিক্তি
মসিসু ময়েক শেংজিল্লক্ত্রে
অসুম অসুম
অমম্বগী মরোলনা
থাজিল্লকপসিদা অসুম অসুম
মচু শেংনা অমুবগী।

### উচি

*– মোহন পোখ্রেল*

খুন্নাই অসিদা
মমল য়াম্ল–য়াম্লবা পোত্থোক ওইরবসু
শ্বায় শ্বায় মাঙখি
মীয়ামগী বিভাগতা অমত্তা চঙলমদে,
মসি ওইরম্বা তাই
অচৌ অচৌবা উচিনা চেন্নখিবা,
মসিদা পাখৎচরিবদি
মীথৱায় চেনবা উচি য়াওরিবসিনি,
দুগীসু মথক্তা
উচিলাং থাফমসু লৈত্রিবসিনি
খুন্নাই পূম্বা অসি
উচি মকোন ওইখ্রবরা।

### খেন্নবা অমসুং খঙনদবা

*– নিংথৌমনি নিংথৌজা*

শেৎন–ইন্নরিবা ফিজোলশিংগী মনূংদা
করি ওইনরিবা
খঙনরিবা ঙাক নত্তনে?
মদুমক্লনি নঙ–ঐ–মা
মঙলান অমমমদা তাউনরিবা।
হোই, পূন্নমকসিবুদি মপাম্থোঙগীনি
মরূপনি–চান্নবীনি– খোঙলোয়নি হায়বা,
ময়ামসিমত্তংগা খঙবা ঙন্নরম্লবদি
লৈরম্লোইদবনি নীংব–কায়বগী চৈনা।

### চীংয়াগী লৈহাউ

*– রাই শামু সিংহ*

নুংশিবা থিরিবা
থমোয় অমগী
ৱাখলগী তাংজফম
ওইরম্বী,
চীংয়া অমগী
নাপোমদা হৌরিবী
চীংয়াগী লৈহাউ,
নোংমা নঙনা–
কিম্থরবা শম্বুল অমগী
শমজিগী নাচোম লৈ ওইখি।
মদুদা নঙনা,
মনীং তম্বা ফংলক্ত্রবদা
হিক্লা কপখি ৱারৌনা।
ইঙা–ইঙেন্না নাথৈবিরম্লবা
লৈক্রেক চৎলবা পৃথিবীনা,
নঙবু উবদা হংখি–
অরোয়বা ওইনা
'মসিবু
পুন্সী অমগী খোভচৎলনে?'

### থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং

*– ঋশিকান্ত অতোম,*

নোংমৈ মরুনা য়োম্লবা
ইখেংতনা চোৎলবা
থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদুদা
পেন্নরবশিংগী খোঙপাকশিংদুনা
হন্না হন্না পেন্না কাওরবসু
থৱায় য়াওদ্রবা
হকচাংদুগী চিনবানশিংদুদি
করিসু হায়দে।

### য়ুগী মরূপ

*– এ এস তোকপম*

ময়ুমগী নূপীদি পীরমদে
ঙারিগী লূপা অনী ফাও
চৈবিরগদুম থনম্মি।
অদুবু ভেন্দরদদি
শোয়বা য়াদ্রবা মথৌগুম
নোংমগী লূপ...
পামুবা লৈতনা পীররি।

### মায়া

*– চাইবী*

নোক্লিবদু নোকউ
পেন্না নোকখো,
কপ্লিবদুসু কপপু
পেন্না কপখো,
উনবতংদি হোৎনৌ
মরুমদা লোৎনরিবা
ওন্ন – তৈনবা অনীদু
তাইবং পানগী হৌনশা।

### শিবগী চৈরাক

*– লোকেন অকোইজম*

হে যমরাজ!
করি থমোয়নো
মরাল অমগীসু শিবগী চৈরাক।
মীগী মরালতা য়েংলিবা
চিত্র গুপতা মহাক্কীসু
লৈতব্রনে?
শিব য়াবা মরাল অমা
শিবগী চৈরাক পীনবা।